Monday, January 14, 2019, Imphal

HUEIYEN LANPAO

# ঙসিদগী গুজরাত্তা জেনরেল কেটগরি মনুংদা লৈবা লায়রবশিংগী চাদা ১০ গী ক্বোটা চৎনরগনি



অহমেদবাদ, জন্যুৱারি ১৩ (এজেন্সী): গুজরাতকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা ঙসি লাউথোকখিবা মতুংইন্না সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী থবকশিং অমদি মহৈ তম্বগী মতাংদা জেনরেল কেটগরিদা লৈরিবা লায়রবশিংদা চাদা ১০ দা রিজার্ভেসন পীবগী থবক অদু হয়েংদগী পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম সেসনগী অরোইবা নুমীৎতা হৌখিবা চয়োলদা কুপ্না নৈনরবা মতুং হাউস অনীমক্না লৈঙাক অসিগী ১০৩ শুবা এমেনদমেন্ট এক্ট ২০১৯ পাস তৌখিবদগী এক্ট অসিনা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৫ অমসুং ১৬ অদু শেমদোক্তুনা চহী অমদা লুপা লাখ ৮ গী মনুংদা আই লাকপা লায়রবা ইমুংশিংগী জেনরেল কেটগরি মনুংদা লৈরিবশিংনা লৈঙাক্কী থবক চঙবা অমদি মহৈ-মশিন তম্বগী লমদা চাদা ১০ গী রিজার্ভেসন ফংগদৌরিবনি।

আর্টিকল ১৬ শেমদোকপগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদা আর্টিকল অসিনা ষ্টেট অদুদা ক্লোজ ফোরদা য়াওরিবা কাঙলুপশিং নত্তনা শেল-থুমগী মতাংদা শোখরবা জেনরেল কেটগরিশিংগী মীওইশিংনা লৈঙাক্কী থবক চঙবা অমদি মহৈ-মশিন তম্বগী মতাংদা চাদা ১০ গী রিজার্ভেসন পীরিবা অসি হোংদোকপা য়ারোই।

ষ্টেট লৈঙাক্না মতম মতমগী ওইনা ইমুং অমগী লাক্লিবা আই অদু য়েংদুনা শেল-থুমদা শোখরবা, খুদোংচাবা ফংদ্রবা কাঙলুপশিং অদুগী আইগী মতাংদা লৈরিবা অতোপ্পা ইনিদকেটরশিং অদু কুপ্না য়েংশিনগদবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসতা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুদা য়াওরি।

হন্দক পার্লিয়ামেন্টদা পাস তৌখিবা এক্ট অদুনা হান্না লৈরিবা সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইবকী চাদা ২২.৫ কী রিজার্ভেসন অমদি অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসনি হায়না মশক খঙদোক্লবশিংগী রিজার্ভেসন চাদা ২৭ লৈরিবা অদুগী মথক্তা শেল-থুমগী ফীভম শোক্লবা জেনরেল কেটগরিগী চাদা ১০ গী রিজার্ভেসন অসি নৌনা হাপচিল্লকপনি।

পার্লিয়ামেন্টতা লৈঙাক অসিগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রবা চাদা ১০ গী অনৌবা রিজার্ভেসন অসি হাপচিল্লগা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা রিজার্ভেসন অসি চাদা ৫৯.৫ লৈখি। মসিদা ওপোজিসন পার্টিনা সুপ্রীম কোর্টনা মমাঙদা মাঙজৌননা রিজার্ভেসনগী মতাংদা থমখিবা অপ্পর লিমিট অদু চাদা ৫০ ওইখিবনি। হন্দক্কী অনৌবা চাদা ১০ গী রিজার্ভেসন অসি হাপচিল্লকপা মরম্না লাক্লিবা অহোংবা অসি লেজিলেসনগী ওইবা লিগেলগী ৱাহং হংলকখি।

নীংশিংবা য়াই, লৈঙাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা কনষ্টিট্যুসনগী এমেন্দমেন্ট অদু ঙরাং হাউস অনীনা চয়োল অমা চুপ্না নৈনরবা মতুং অয়াবা পীখিবনি।

চাদা ১০ গী জেনরেল কেটগরিগী ওইবা শেল-থুমগী অৱাবা নংলবশিংগী ওইনা লৈঙাক্কী থবক চঙবা অমদি মহৈ-মশিন তম্বগী লমদা চাদা ১০ গী রিজার্ভেসন লৈবা অসিনা পুন্না লৈবাক অসিদা মীওই মিলিয়ন ১৯০ দা কান্নবা অসি পীগদৌরি।

নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী লুচিংবা শরদ পৱারনা ফোঙদোকখিবদা, রিজার্ভেসনগী মতাংদা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টির্কল শেমদোকপা অসিনা লৈঙাক অসিদা অশোকপা কয়া পীরকপা য়াই হায়দুনা ফোঙদোরকখি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা এন দি এ অমসুং চুংশিন্নবা পার্টিশিংনা ভোট ময়াদা ভোটর হেন্না ফংনবা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# কোংগ্রেসনা লোক সভা মীখলদা উত্তর প্রদেশকী সিট ৮০ মক্তা মীখল লম্বা থেংনরগনি



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১৩ (এজেন্সী): কোংগ্রেসকী সিনিয়র লুচিংবা অমদি রাজ্য সভাগী মেম্বর অমা ওইরিবা গুলাম নবি অজাদনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ফোঙদোকখিবদা, লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা উত্তর প্রদেশতা লৈবা সিট ৮০ মক্তা পার্টি অসিগী মীরেপ থাগৎলগনি হায়খ্রে।

ইন্দিয়াগী গ্রান্দ ওল পার্টি হায়না খঙনরিবা কোংগ্রেস পার্টিনা মরক অসিদা উত্তর প্রদেশকী লোক সভাগী সিট ৮০ অদুদা বি জে পিগা লম্বা তৌনিংবা অতোপ্পা সেক্যুলর পার্টি লৈরবদি কোংগ্রেস পার্টিনা মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

কোংগ্রেস পার্টিগী ৱারেপ অসি উত্তর প্রদেশতা লৈরিবা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিনা গথবন্ধন হায়না মিংথোন্দুনা পার্টি অনী অসিনা চুংশিন্নবগী ৱারেপ লৌখিবা অদুদা কোংগ্রেসপু ইন্থোক্লম্বা অদুগী মতুংদা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি। কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা অমদি উত্তর প্রদেশকী থৌসু পুরিবা গুলাম নবি অজাদনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা উত্তর প্রদেশকী লোক সভা মীখলদা লৈরিবা সিট ৮০ মক্তা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ পুথোক্কনি হায়না থমখিবনি।

কুমজা ২০০৯ লোক সভা মীখলদা ষ্টেট অদুদা ফংখিবা কোংগ্রেস পার্টিগী মশিং অদু হন্দক্কী মীখল অসিদা হান্নদগী শরুক অনী হেনগৎপা ঙমগনি হায়না থাজবা থমখি। হায়রিবা কুমজা অদুদা পোলিটিকেলগী ওইনা য়াম্না লুবা মফম অমা ওইরিবা উত্তর প্রদেশকী মীখল অদুদা কোংগ্রেসনা সিট ২১ ফংখিবনি।

পাউমীশিং অদুনা গুলাম নবি অজাদতা হংখিবা ৱাফমদা, পার্টি অদুনা অতোপ্পা পার্টিশিংগা পুনশিন্নবগী লাল্লোং লৈত্রবরা হায়বগী পাউখুম পীরদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি অজাদনা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা বি জে পিবু মায়োক্নবা ঙমগনি হায়না থাজজবা উত্তর প্রদেশকী লোক সভা মীখলগী সিট ৮০ অদুদা পার্টি অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবা লৈরবদি কোংগ্রেস পার্টিনা শুংশোয় শোয়দনা পুন্না চৎমিন্নবগী ৱাফম ফোঙদোকখি। করিগুম্বা কোংগ্রেস পার্টিগা পুন্না চৎমিন্নবা পামদবা ওইরবদি কোংগ্রেসনা বি জে পিগা লান্থেংনবদা কনাগীসু মতেং লৌরোই হায়খি।

মমাঙদা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিগা মীখলগী মাঙওইননা কোংগ্রেস পার্টিগা পুন্না মীরেপ পুথোকমিন্নদুনা বি জে পিবু মায়থীবা পীননবা লৌরকখিবা খোঙথাং পুম্নমক এস পি অমসুং বি এস পিনা মখোয়গী এল্লাইয়ন্সতা কোংগ্রেসপু নাথৈনা থম্লম্বা অদুদা তোঙান্না সিট ৮০ মক্তা কোংগ্রেসকী মীরেপ থাগৎপগী ৱাফম লাকখিবনি।

কোংগ্রেস পার্টিনা য়ু পিদা বি জে পিবু মায়থিবা পীননবা গ্রান্দ এল্লাইয়ন্স য়াওবা পামখিবনি। কোংগ্রেসনা সিট ২৫ দা মীরেপ থাগৎপা হায়না খন্নরম্বা অদু হৌজিক্তি এস পি অমসুং বি এস পিনা গ্রান্দ এল্লাইয়ন্স অদুদা কোংগ্রেস পার্টিবু য়াওহল্লক্তবা অদুনা মরম ওইরনা হান্না সিট ২৫ দা মীরেপ থাগৎকনি হায়রম্বা অদু সিট ৮০ মক্তা মীরেপ থাগৎলগনি।

ফেব্রুৱারি থাদা কোংগ্রেস পার্টিনা উত্তর প্রদেশকী জোন ১৩ দা রাজিব গান্ধীগী রেল্লি ১৩ পাঙথোক্কদৌরি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী সিনিয়র লুচিংবা গুলাম নবি অজাদ অমসুং পার্টি অসিগী উত্তর প্রদেশকী ইন-চার্জ ওইনা থবক পুরিবা হান্না এক্টর ওইরম্বা রাজ বাবরগা পুন্না উনদুনা রেল্লি ১৩ অসিগী মতাংদা ফোঙদোরকপনি।

# ইন্দিয়া সেন্ট্রেল এসিয়া দাইলোগতা অফঘানিষ্টান্দা মীৎয়েং থমখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১৩ (এজেন্সী): উজবেকিস্থানদা লৈবা সম্মরখন্দদা পাঙথোকপা অহানবা ইন্দিয়া সেন্ট্রেল এসিয়া দাইলোগতা ইন্দিয়াগী ওইনা অফঘানিষ্টান্দা তংদু-লৈতাবা অমদি ঈং-তপ্পা অফবা অমা ওইনবা ৱাফমদা মরুওইনা খন্নখি।

ইন্দিয়াগী দেলিগেসন অদু এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা লুচিংখি। মহাক্না দাইলোগ অদুদা ফোঙদোকখিবদা, অফঘানিষ্টান লৈবাক অসি এসিয়াগী ময়াইদা লৈবা লৈবাক অমা ওইবা মরম্না সাউথ এসিয়া অমদি সেন্ট্রেল এসিয়াগা নকশিন্ননবগী য়াম্না মরুওইবা থোং অমা ওইরি হায়খি।

টেররিজমগী থৌওংশিংনা মরাল লৈত্রবা মীওই কয়াদা অৱাবা পীবা অদুগী মতাংদসু য়াম্না কন্না সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখি। টেররিষ্টশিং অসি কদায়দগী হৌরকপনো? কনানা শেল থাদবনো? মখোয়না হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা চত্থরিবা অসি করম্না ওইহল্লকপনো? লোয়ননা মখোয়বু কনানা ঙাক শেন্দুনা অমদি মীচঙ চঙদুনা লৈরিবগে হায়বা ৱাফম ইন্দিয়া সেন্ট্রেল এসিয়া দাইলোগ অদুদা মরিক চুম্না ফোঙদোকখি।

ৱারী শানবা অদুদা অফঘানিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর সলাউদ্দিন রবানি শরুক য়াখি। অফঘানিষ্টানগী লৈবাক অসি টেররিজমনা চহী ২০ হেন্না ৱাহল্লকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী রেভিন্যু ৱাংখৎলকপগী মমি উদে। লল্লোন-ইতিক্কী থবক চাউখৎপা ঙমদে। লোয়ননা লৈবাক অদুদা মীরমদগী শেল থাদবসু ঙমদনা লৈরিবনি।

ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টান্দা ঈরাং লৈতবা অমদি টেররিষ্ট অমদি লৈঙাক অদুগী মরক্তা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরকপগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা ইন্দিয়ানা মতেং পাংদুনা লৈখিগনি হায়না সুস্মা স্বরাজনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক ফাওবদা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৩ রোমগী মতেং পাংখ্রবনি। মখা তানা পাংখিগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

# গুরু গোবিন্দ সিংহ নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুপা ৩৫০ গী শেনয়েক মীয়ামদা শিন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১৩ (এজেন্সী): গুরু গোবিন্দ সিংহগী ৩৫২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অদু প্রকাস উৎসব হায়না ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৩৫০গী শেনয়েক পুথোকখ্রে।

মশিং য়াম্লবা মীয়াম তীনখিবা থৌরম অদুদা সিখশিংগী গুরু অসিনা খুন্নাইগী অমোৎপশিংগী মায়োক্তা লান্থেংনখিবা মীওইবা কাঙলুপ-কীদমক্তা কখোকখিবা অমদি লৈবাক অসিগী অপূনবা শক্তম অমা পুরকপদা লৌখিবা থৌদাংশিং অদু মীয়ামদা নৌহৌননা নীংশিংখি।

থৌরম অসিবু প্রকাস উৎসব হায়না পত্না সাহিবতসু পাঙথোকখি। হায়রিবা মীফম অসি গুরু গোবিন্দ সিংহগী পোক্লফমনি হায়না য়াম্না লুনা লৌদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। পঞ্জাব শিনবা থুংনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। অমৃটসরদা লৈবা গোল্ডন টেম্পল অমদি লৈবাক অদুগী গুরুদ্বারা পুম্নমক্তা মৈ থান্দুনা গুরু অদুগী মপোক নুমীৎ অদু নীংশিংখি। লৈঙাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনসু সিখকী লুচিংবা অসিদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী পুন্সি অদু মীয়ামগী মতেং পাংবদা কখোকখি। অচুম্বা, ৱায়েল তৌবদা খেন্নবা লৈহন্দবা অমদি অমনা অমবু নুংশি-চান্নরা লৈমিন্নবগী অচৌবা পাউতাক কয়া চারোন-শুরোন্না নীংশিংনদুনা লৈরি।

গুরু গোবিন্দ সিংহগী ৩৫২ শুবা মপোক কুমওন অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কর্টরপুর কোরিদোর অসি কুমজা ১৯৪৭ তা অমাঙ-অতা থোকহন-খিবা অদু নৌনা শেমগৎপা লোইরে। হায়রিবা কর্টরপুর গুরুদ্বারা অসি পাকিষ্টান্দা লৈবা মরম্না মীয়াম্না খুরুম্বা চৎপা মতমদা ভিজা লৌবগী মতাংদা অনবা লৈরিবা অদু ৫৫০ রকশুবা গুরু নানক দেবগী মপোক কুমওন পাঙথোক্কদবা অদুদা পাকিষ্টানগী নরোৱল দরবার সাহিবতা সিখকী লাইনিংবশিংনা চৎপা মতমদা ভিজা অমত্তা লৌরোই হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

# ইন্দিয়া-চাইনা বোর্দরদা মরুওইবা লম্বী ৪৪ ইন্দিয়ানা শেমগৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়া লৈঙাক্না চাইনাগা লোন্নবা কিলোমিটর ২১০০ শাংবা মফমদা মরুওইবা লম্বী ৪৪ শেমগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা পঞ্জাব অমসুং রাজস্থান ষ্টেট অমদি পাকিষ্টানগা তায়নবা মফমশিংদসু লম্বী শেমগৎকদৌরি।

সেন্ট্রেল পব্লিক হাউস দিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০১৮-১৯ গী চহীগী ওইবা রিপোর্ট অমা থা অসিগী অঙনবদা পুথোকখিবদা মরুওইবা লম্বী ৪৪ অদু লৈঙাক্না শেম্বা য়ারে হায়না পাস তৌরকপনি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা কিলোমিটর ৪০০০ শাংবা একচ্যুএল লাইন ওফ কন্ট্রোল অদুদা হায়রিবা লম্বী ৪৪ অসি শাগদৌরিবনি। মসিনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদগী হৌরগা অরুনাচল প্রদেশ ফাওবা য়ৌগদৌরি। নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৭ তা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিংনা দোক্লাম ট্রাই জঙ্কসন্দা চাইনানা লম্বী শেমগৎলকপদগী নিংঙাই শংদাইনবা থোকখি। অদুবু চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা য়ানবা পুরকপদগী চাইনানা লম্বী শেম্বা অদু তোকখি। অদুগা ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী লান্মীশিং অদু মফম অদুদগী লৌথোকখি।

চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী বোর্দরদা শেমগৎকদৌরিবা লম্বী ৪৪ অসি চাউরাক্না লুপা ক্রোর ২১,০০০ রোম চঙনা শাগদৌরিবনি। সেন্ট্রেল পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা থৌদাং লৌদুনা শেমগৎকদৌরিবা লম্বীশিং অদু জম্মু অমসুং কাশ্মির, হিমাচল প্রদেশ, উত্তরখন্দ, সিক্কিম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ ষ্টেটশিংগী মফম খয়া য়াওগদৌরি।

# লৈঙাক্না থৌনা ফবী নুপীশিং থাগৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১৩ (এজেন্সী): মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টনা সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা অহোংবা পুরক্নবগীদমক পায়খৎখিবা অচুম্বা খোঙথাংশিং পুথোরকপা থৌনা ফবী নুপীশিংবু খনগৎতুনা থাগৎপা ফোঙদোক্কদৌরি। 'ৱেব ৱান্দর ৱিমেন' হায়বা কেম্প্যেনগী মখাদা লৈঙাক অসিনা সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা অচুম্বা খোঙথাংদা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অসিগী ফত্তবা চৎনবী হোংদোক্লবা হোৎনবদা অকনবা থৌদাং লৌখিবী থৌনা ফবী নুপীশিং লৌখৎতুনা ঈকায় খুম্নবা নোমিনেসনশিং কৌখিবনি। হায়রিবা নোমিনেসন অসিদা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা মীরমদা লৈখ্রবী নুপীশিংসু য়াওবা য়াই।


“লাইরেঞ্জম শাগৈগী পাউজেল”

লাক্লিবা তাং ১৮/০১/২০১৯ ইং, ৱাকচিংগী ১২ নিপানবা ইরাই নুমীৎতা লাইরেঞ্জম শাগৈগী অপোকপা অমদি চনু নিংঙোল নোংদোল লাইরেম্বী অনীগী (কুমচনবা) চাকলোন কৎপগী থৌরম পাঙথোকচগনি। নুমীৎ অসিদা অরাপ্পা অমদি অনকপদা লৈবীরিবা শাগৈচাশিংনা থৌরম অসিবু য়াওবীরনবা নীংশিংজরি।

*লাইফম : লাইরেঞ্জম ময়াই লৈকাই (মেকোলা)*

পাউজেঙ্গরিবা : লাই কম্মিটি

HL-P/3103/13,14,15



/খঙহঞ্জবা

Citizenship Amendments Bill- 2016 Lok Sabha দা Passed তৌখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা NEIDP, Heirok Kendra Committee না অমুবা ফিরাল Polling মফম ৩৯ দা (Heirok A/C) চিংখৎতুনা হায়রিবা Bill অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। লমদম অসিগী Civil Society শিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক NEIDP Heirok Kendra না শরুক য়াজগনি।

*খঙহঞ্জরিবা :* N. Deben Singh
Secretary General
NEIDP, Heirok Kendra

HL-P/3762/14



**JOB FOR UNEMPLOYED**

Class X, XII পাস তৌরবা অমদি Graduation তল্লিবা মীওইশিংদগী থবক কৌজরি। ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী ওইগদবা হৌজিক হৌজিকমক দরকার ওইরিবা অখন্নবা Official Post 51 (26 Male + 25 Female) গীদমক ওইগদবনি। থবক অসিগীদমক মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা এপ্লাই তৌবিবা য়াগনি।

**Monthly income : Rs. 10,000/- to 35,000/-**
**Facility : Fooding + lodging Available**
**No Deposite Required**

Apply তৌবীনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Biodata গা লোয়ননা 12 am to 3 pm ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা লাকপিয়ু।

HL-P/3759/14,16,18 ☎ : 8414834122/8837383714



**ADMISSION OPEN**

**ENGLISH & RHYMES COURSES**

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/5056/15/12-16/1



**JOB VACANT**

**M/S S.B. ENTERPRISES, MOIRANGKHOM BAZAR**

1. Storekeeper 3 Nos Salary Rs.7000+T/A+Bonus
2. Receiption 1 No. Salary Rs.7000+T/A+Bonus
3. Driver (4 Wheeler) 2 Nos. Salary Rs.8000+T/A+Bonus
4. Salesman 2 Nos. Salary Rs.7000+T/A+Bonus
5. Decorator (Phijang 'N' Light) 2 Nos. Salary Rs.10000+T/A+Bonus

*Minimum 5 yrs experience in Ten House Services

*FIRST COME FIRST SERVE*
*FREE FOODING 'N' LODGING*

HL-P/3118/14,15 ☎ : 9366897985/7085794463



**URGENT FEMALE STAFF WANTED**

নিংঙোলশিংগীদমক য়াইফনবা **PENA SHOP,** Salam Awang Leikai, Sangaithel Road, Imphal West-I, Manipur না থা অমগী মনুংদা নোংমতং কায়থোকপীরগা অচৌবা Income তানবীয়ু।

**Sl. No.**
1. Female Staff – 300 Nos.
2. Qualification – VII Passed & above
3. Age : 18-50 years
4. Salary : ₹ 5000/- – ₹15,000 & above.
5. Last Date of form submission : 20th January, 2019

***Please Visit / Contact :***
**PENA SHOP, Salam Awang Leikai, Sangaithel Road, Imphal West, Manipur**
**☎ 8414993489 / 8414822949**

**N.B.:** *No Interview, first come first chance.*

HL-P/2942/8-16(Alt.)



**MARKSHEET LOST**

I have lost my Marksheet of AISSCE (Class-XII Sc), bearing Roll No. 3634596 of 2016 issued by CBSE, on the way from Thoubal to Imphal on 10/12/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Thongam Mirandi Devi
Thoubal Kiyam Siphai, Amureijam Leikai

HL-P/3111/14 ☎ 9366091520



**COMET**

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ENROLMENT OPEN FOR

**TEST SERIES 2019**

NEET-UG (Medical) & JEE-MAINS (Engineering) 2019

*Free Studentship*

*Limited Seats (First Come First Serve)*

1. Scoring 400 marks & above in NEET-2018.
2. Scoring 300 marks & above in NEET-2018 (for ST)

*For details please contact*

COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning

HL-B/5109/10,12,14



**LOAN AVAILABLE**

| SL. | |
|---|---|
| 1. | BUSINESS LOAN |
| 2. | SERVICE LOAN |
| 3. | PENSION LOAN |
| 4. | VEHICLE LOAN (Two wheeler) |

**MULTIPLE JOB VACANCIES**

| SL.No. NAME OF POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|
| 1. Security Guard | VIII & above | 6000/- & above |
| 2. Driver | VIII & above | 7000/- & above |
| 3. Cook/House Keeping | VIII & above | 6000/7000/- above |
| 4. Attendant &Receptionist | X/XII/ Graduate | 5000/7000 above |
| 5. Field Officer/ Loan Recovery Staff | XII & above | 7000/- & above |
| 6. GNM/B.Sc. Nursing/ Lab-Tech/X-ray Tech | | Negotiable |

**URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMENT & FRESHERS**

| | | |
|---|---|---|
| 1. Security Guard | Upto 50 yrs | 13000/- & above |
| 2. Security Supervisor/Gun Man | Upto 50 yrs | 14500/- & above |
| 3. Security officer/Asst. security officer | Upto 50 yrs | 16000/- & above |
| 4. Driver | Upto 50 yrs | 14000/- & above |

Last Date of Form Submission : 17th Jan., 2019
Interview Date : 18th Jan., 2019

*For more details Please contact :*
☎ 9089590410 / 8794829055

**LIFE CARE JOB CONSULTANCY**

Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
Regd. No. 14/006/21/04170/Micro-Part-1

HL-P/3691/11-16



/ Piles কী ওইনা Manipur দা অতাঙবনি

**ওজা কবিরাজ অব্দুল হক, ৱাঙ্গোই এস বি আই অৱাংদা** লৈবগী মফমদা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরম্বা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাক্কৎচবা, চক চক থিনবা, খোঙ হাম্বা মপুং ফাদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তাবা, ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, গ্যাষ্টিক, খ্বাঙ নাবা তৌরকপা খুদিংমক হৌজিক্তি মপুং ফানা ফজরে, অনাবা লৈতবগুম ওইরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি ঃ*
1. Wangoi SBI Awang : 6.30 a.m to 4 p.m. (Fri, Sat, Sun, Mon)
2. 7 MR Khabeisoi Gate - 10 a.m. to 4 pm. (Tue, Wed, Thurs).

Contact No. **8014623756, 8794429681**

*থাগৎচরিবা:* **W. SANTA**
**Singjamei Thong Wangma**

HL-P/2900/14